# ইমাবু নুংশিজবা নীংজবা মচাশিং অমসুং ইমাগী শামু হকচাংবু মতুপ-মতুপ ককথৎনবা হোৎনরিবশিং

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

খরবুদি হেনমল্লবনি হাকমল্লবনি, মখোয়না তৌজশারিসে! করি থোকএনা তৌজ শারিনো! ৱাখল তাবা-তাদবা, লাইরিক হৈবা-হৈতবা চপ হেক মান্নবৈ মওংনি। হায়দোকখিবা ৱা অনীরক হন্দে, লিংজেল মান্নরনিকা হায়দু ওইরমাল্লে মখোয়গীসে। ইস! ঙকপু ঙকচৈনে, তোঙানবা লৈঙাক! মথোঙ মরম খঙদবা দিমান্দ। টেররিজম। মদুদদি হায়নীংলকই - পোক্লফম ইমাগী লৈমায়সিদদি ওইথোক্লরোই, শুন্দ্রংদরা, তাইবঙপান ৱাংমদরা কদাইদনো অমা শেন্বীরুরো। ঙসি ঐখোয়না উরিবা ইমাগী শক্তম অসিবু ইরায় লায়না ওইখিবনি হায়না খনবজাৎলা? নৎত্রগা আ নোংদোন্দগী চীংঙু খোয়ুম লাইয়াম্না মীকুপ অমদা থাদরকপা ওইনা নীংলুরবজাৎলা? শক্তম অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা তাইবঙ মীদি থম্বু থমখো, তাইবঙপান মপু ফাওবা অৱাবা, খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লখি হায়বগী লাই থাজ ৱারী লৈরম্লিবনি।

জিওলোজিষ্টশিংনা থিজিনবদা ইরৈবাক ইরমদম অসি চহী মিলিয়ন খরগী মমাঙদদি ঈশিং-ঈপাক, ঈরং ওইরম্মী হায়। মসিনা সাইন্টিফিক ষ্টদিজদগী ফংবনি। ঐখোয়গী লাই থাজ ৱারীদবু হায়রিবা ৱাফম অসি য়াওরি। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা ইমম-মম্বা তরং-মালং ইহাঙ হাঙনা লৈরম্বদগী তাইবঙ শেন্বীবা মপু মানা লৈবাক, নিংথৌ, অতিয়া, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক, চীং, পাৎ, তুরেল, থৱায় পানবশিং, তাইবঙ মীওইবনচিংবা অচৎ-চত্ত পূন্নমক শেম্লকখিবগী লাই থাজ ৱারী পুদিন, লৈথক লৈখারোলনচিংবা অরিবা লাইরিকশিংদা য়াওরি। মসিনা তাক্লি মদুদি ঙসি ঐখোয়না ঐখোয় ওইনা হিংজরিবসি শেন্বীবা মপু মাগী খূৎশেম্ননি। মদুসু তরাই-তরাই হেক্তমক ওইরকখিবা নত্তে হায়বসি লৈশেম্লোন্না ময়েক শেংনা তাক্লি। অসিগুম্লবা তেংবান মপুগী খূৎশেম অসিবু মশাখক্তগী খনবা ওইজবা থিবা খরনা তেমশীংনরকপা অসিবুদি মায়োক্লবা ঙম্নবা ৱাখল লৌশিং, থৌনা-লিংজেল পীবিনবা তেংবান মপু মফমদগী নিজবা তাবনি।

ঈশিংনা থুমজিন্দুনা লৈরবদা মালেম লৈশেম্নবগীদমক তেংবান মপুনা পীবা য়াথংবু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা অশিবদা মনাও কোঞ্জিল  তিংথোকপা হরাবনা নোংলৈ নুংশিৎকী শক্লোন লৌদুনা হন্না হন্না চাইখাইরবদা তাইবঙ মপুনা নোংথাংলৈমা পুথোক্তুনা পাউশানরিঙৈদা মালেম লৈশেমখি হায়বসি তয়াং-তয়াংনা লৌবা চুম্লোই। ইরৈবাক অসি শেমগৎনবা হোৎনবদা থেংনখিবা য়ৈখাই থিনগাইবা কয়া অদু তুংদা লাকপা মীরোন খুদিংমক্লা খঙননবা থম্বীরম্বা লাইৱানি। শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্তা অকায়বা পীবশিংবু লাকশিন্নবা ৱাখল লৌশিং থৌনা লাই হাক্তক্তগী লৈরক্লে হায়বগী ময়েক লারবা খুদম্লি হায়বসু য়াই। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবনা কংলৈদা পান্দ্রিঙৈ মমাঙদগী হৌনা লৈবাক খুঞ্জাও-লৈচাওনবা, নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়ননবা ঈরাৎলোনগা মরী লৈনরম্বা ঔগ্রী শকপা, চোংবা পাঙথোক্লম্মী হায়বগী ৱাফম অখঙ-অহৈশিংনা থম্বীরম্মী। মসিগীসু মথক্তা য়েক্লববু মাঙহন তাকহল্লবা মৈদিংঙু লোইয়ুম্বা, মৈদিংঙু খুঞ্জাওবা, মৈদিংঙু পাইখোম্বা, মৈদিংঙু চরাইরোংবা, মৈদিংঙু পামহৈবনচিংবগী হাক্তক্তা নিংথৌরোল ঔগ্রী লাইরোল শকখিবগী ৱাফম লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা মাইচৌ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রনা ইবা **"অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস"** হায়রিবা লাইরিক অসিদা ময়েক শেংনা পল্লি। পূন্নমক অসি খূৎকন পাঙ্গনবা মণিপুর অমা শেমগৎনবগীদমক লৈঙাকপশিং অমদি ৱাখল লৌশিং চঙখোল্লবা হৌখিবা ওইরিবা অমদি তুংদা ওইরক্কদবা অহুম্মকপু মনুং থীৎনা খঙবা ঙম্লবা ইপা ইপু কয়ানা হোৎনরম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদম্লি। ইপা ইপুশিংনা তন্বীরম্বা খুদোলশিংগী মমল খঙদবশিংনা ইমাগী অশেংবা শক্তম মাঙহন্নবা হোৎনরক্লে।

কনাগুম্বা মীতোপ খঙদবশিংনা মীতৈগী তোপ তোপ্পা নাৎ-কলচরগী ওইবা থৌরম করি করিনো হংলকপদা অসুম্না খুম্বা য়াই -***ঐখোয় মীতৈগী নাৎ কলচরগী ওইবা থৌরমদি মশীং থীঙল্লোই। মীতৈ থাজৎ তরানিথোই হায়বদি শজিবুদগী হৌরগা লমতা ফাওবগী মনুংদা ঈরাৎ থৌনিগা শাগোন্নবা থৌরম ময়াম অমা পাঙথোকই।*** অসুম্না চহী হৌবদগী লোইবা ফাওবদা পাঙথোক্লিবা থৌরম ময়াম অসিগী মনুংদা উমংলাই হরাউবা লৌখৎপা য়াই। থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা পান্দম লৈ। শারিবা জগোয়, শক্লিবা ঈশৈ, শোল্লিবা লাইশোন-তীনশোন, কৎলিবা পোৎলম-চৈরম, হৈকৎ-লৈকৎ পূন্নমক অসি তরাই তগোপ্পা নত্তে। খুঞ্জাও লৈচাওনবা, লৈবাক মরা তপ্পবা, নমু তাইবঙ মীকোক য়ামখৎনবা, পান্নাউ-শিংনাউ তাননবা, মহৈ-মরোং চুম্নবা, পোখোক-চাথোক মরাং কায়ননবা, চাকহোঙ-ঙাহোঙনবা, ফৌগৈ থন্ননবা, পূন্সি নোংশাংনবনি। ইপা ইপুশিংনা য়াৎলম্লিবা লীক্লমসিদা চৎপা ফংজরিবা ঐখোয়সে কয়াগী মতিক লাইবক ফখ্রবনো! মসিদবু য়ৈখাই থিনগাইবা পীগনিদো হায়না পীরিবশিংসে তৌবা ঙম্মল্লি, মথোঙ চামন্দে হায়নীংলকই। ফজবনা নীংথিবনা ময়ুং মফেন ওই, নুংশিবনা ফিবান চন্দুনা, লৈজবী ৱাখল লৌশিং শীজিন্নদুনা শেমগৎপা-শাগৎপীরম্বা ঈরৈবাক অসিবু মৈশা, মৈখু লাংহন্নবা হোৎনরিবশিং অসি খল্লুবদা অঙকপা ফাওই।

মসিনসু লোইদে। ইরৈবাক্কী শক্তম ঙসি ঐখোয়গীদমক থম্বীরম্বা ঙমখৈ অসিগীদমক নত্তবরা, য়েক্লবা লম্বা পাবদা অথৌবা ইপা-ইপুশিংগী ঈখেংনা ঈপাক ঈরেন শেমখিবনি। মশীং লাকঙমদ্রবা লানবুংশিংদগী নিল্লকখিবা লাল্লাউশিংদুগী খোন্থাংনি, ঙসি ঐখোয়গী পুৱারীগী লমায়দা কোকঙল্লরোইদবা মচুনা শঙদুনা লৈরিবা, নুঙপাক-নুঙজাউ নুঙমায়শিংদা হক্তুনা লৈরিবা ময়েকশিং, য়ূমথোঙ কয়াদা চীন্থাং য়ৈনা শমথরক্লিবা চীনবুঙ ৱারীশিং, অশৈবা কয়াগী শৈরোল... পূন্নমকসিবু তাদবরা-উদবরা? হংজরিবা ৱাহংসি ইরৈবাক্কী অপূনবা শক্তমদা শীংনরক্লিবশিং অমদি ঙমখৈ থুগায়দুনা হোংদোক হোংজিন তৌননবা হোৎনরক্লিবশিংগী মফমদনি। খঙনা খঙনা, উনা উনা, তানা তানা খঙশিন্নদবা, উশিন্নদবা-তাশিন্নদবা ওইরবদি মী-লাই অনীমক্কী য়েক্লবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। পূন্নমকসিগী মথক্তা ইরমদম অসিদা পাঙথোকপা ***শিরুই লিলী ফেষ্টিবেল*** য়াওবা চৎনবা থৌরাংলিবশিংদা নীংহন্নবা পোক্লবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ থাদোরকখিবদু মীয়াম অমদি লৈঙাকপু শীংনবনি খল্লিঙৈ চৈরক্তা মণিপুর হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নবা য়ারোই হায়বগী থৌওং সিক্যুরিটি ফোর্সমক্লা চখ্থরকপসিমদি মণিপুর মীয়ামগী ইকায়খুম্নববু খোঙ্গাওনবনি। মসিদা লৈঙাক্কী খূৎ য়াওরবরা? ঐখোয় পূন্নমক্লা ৱাখল লিংজেল চপ মান্ননা থেংনফম থোকই। ঈশিং-ঈপাক-ঈরং ওইরম্বদগী চহী মশীং থিঙমদবমখৈ অসুক ৱানা শেমগৎলকখিবা ইরৈবাক অসিবু থুগায়নবা হোৎনরকপদা ওৎখায় নৈখাইরক্লিবসি নমথেক্কে হায়রবদি ঐখোয় লিংজেল মান্নরবা মতমদতা ওইথোক্কনি। ●

# ভিয়েটনাম চৎলুবগী হোংলকপা ৱাখল - ১

**- নবকুমার ওইনা -**



মে ৭, ২০২৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অহিংদা ভিয়েটনামদা থুংখি। এয়রপোর্টকী ইমেগ্রেশন ওফিসরনা হংলকখি, "ইন্দিয়াদা কৈদৌবা চৎলুবনো?" বোর্দিং কার্দ য়েংলগা হায়রকপনি। মখা তানা পাসপোর্ট য়েংলগদি "ম্যান্মারগা তাইনবা অদুদগীরা?' অদুদদি মাসু নোক্লে, ঐখোয়সু নোক্লে। অসুম্না নোকপসি শেলদি খরা চংবজাৎনি, থম্মোয়গী নক্লবদি শেলনা লৈবা ফংনদে হায়।

লগেজ লৌবা চৎলবনি, 'হলো, ওইনাম' কৌরগা নকশিল্লকই, মানা পাসপোর্ট পীরকপদা ভিশাদু কাউহৌরবজাৎনি। অমুক্তসু হন্না 'থেঙ্ক য়ু' হায়বা ফংখি। অহিংদু এয়রপোর্ট মনুংদা লেনবা তাই, অহাঙবা ফম্ফমশিংদা মহৈ-মহৈ হিপথনরে। লাঙবা তোকপা লৈতে, লাক্লিবা মীয়ামদুগী শেল ওন্থোক্লবা কৌশিল্লিবদু লোল অদুদগী খঙবা নত্তে, সাইনবোর্দ অদুদগীদি অদুম খঙই।

নোং ঙান্থোরকপগা টেক্সি ফারগা হোটেলদা য়ৌরে, চৌকিদারদু হৌগৎলমদ্রি। থোঙ হাংলগা শক তাক্লরে, পোৎশিংদু ঐখোয়না লৈগদবা কা ফাওবা পুশিনবীরে। অয়ূক্কী চরাৱানবা মতম য়ৌরে, করি চাগনি খন্নে, ইচানুপীনা লৌরুরগে হায়রে। চা ফংদে, কোফিগী লম্নি, হোটেলদা পীবনি, বোইলরসু পী, ফ্রিজসু লৈ, গ্রিলসু লৈ। ব্রেদ ওইনা চারে। মমানা হায় 'য়াম্না চম্না হাওই, মোল্লি, য়ূমদা পুবা য়াগদ্রা?" পুবগী লায়রি, চাক চাফমগী ৱাদি? থোঙ হাংনহৌদ্রি।

ঐখোয়গী হৌনবী চাক চারক্তুবদি ব্রেদনা য়াবা নত্তে। ঈরু মায়থজবা লোইরগা চাফম থিবা থোক্লক্লে। ঙরাং নুমিদাংদি চাদ্রবনি। চাক ফংই হায়বদি তারে, চাদ্রিবনিনা মহাও খঙদ্রিবনি। চাফমদি ময়াম লৈ। মিটর য়াঙ্খে কানদে, মখলদুগী ৱাতনি। চাইনিজগী অচাপোৎ মওংদুসু ফংই, ঐখোয়গী মওংদুদি ফংদ্রেদনা। মেনুদু এলবম য়েংবগুম য়েংলে, খনফম খঙবা নত্তে। শুপ অমা, নুদল অমা, য়েন অয়াইবা মচেৎ-মচেৎ, য়েরূম ওমলেট চাবা-য়াবা চারে, থুম-মোরোক য়াওদে, য়েনসু থুম্মী। চাক অদুদি হাওই। মমলদুগী ৱানি। খুবাম অমগী তেঙ্কোৎ অমদা ঐখোয়গী লুপা কুন্থ্রাগী চাংনি। চাংয়েংগী চারানি; ফরে পুক থল্লে হায়বা তাবনি।

হানোয়, মী মিলিয়ন মাপন লৈবা লমদম্লি। ককচেং মকোক নীংশিংই, কনাসু পোথাবা উদে, খোঙনা চৎপসু উদে, কাংখোঙ অনীগী গাড়ীনা ৱায় চাইবনি। লম্বী খঙদবা ঐখোয়গীদি টেক্সিনা ফরে, হায়খিবগা মিনট মঙা-তরাগী মনুংদা থুংলৈ। কাখৎপগা ঈংপক ঈংই, এ সীনি, সিটি ময়োন্দা য়ৌরে। মমা-মচাদি ফিগী দুকান্দা য়েংবা হৌরে। ঐনা মপান্দা গার্দ তারে। নহা অহল নায়দনা চুরুট থক্লে। মপান্দগী লাক্লিবা অঙৌবা অৱাংবশিংনা মশীং য়াম্না হেনগৎলকই। দুকান্দা, চাফমদা, পার্ক ফম্ফমদা। ঐনা খল্লি ভিয়েটনামদা শেল পীবা লাক্লিবনি। পুংশিং হেনগৎলক্লিবগী মতিক শাবসু হেনগৎলকই। মপানগী টুরিষ্টশিংদি হাফপেন্ট শেৎলে। ইশাগী লৈকায়নি খল্লে।

টুরিষ্ট গাইদ কম্পনি অনী-অহুম-মরি-মঙা চপ-চপ মান্নবা গাড়ী মথং-মথং থুংলৈ। ঐখোয়গীদুদি পংচাউ চাউদে, কাখৎপগা ঈশিং পীরকই, থেঙ্ক য়ু হায়বা তনবা য়াদে। মাইকতা ৱারী লিনা-লিনা লম্থাং কয়া লাল্লগা লাকখ্রে, খুঙ্গং কয়া লৈহৌরে, লৌবুক কয়া উরক্লে। ঙা য়োকফম য়ৌশিল্লক্লে, ঐখোয়বুসু পুশিল্লে। ঙা য়োকপা ওইরমদ্রে কোংগ্রেং য়োকফম্লি, চাউখ্রবা পাকখ্রবা ফার্ম অদু মুক্তা পরেং শাফম ওইরম্মী। চংবগা য়েংলে, কোংগ্রেং মনুংদা মুক্তা থাবা হায়বদু মিৎমাংদা উৎলে। ঙক্লিবসি মুক্তা শেম্লকইবা কোংগ্রেংদু ফুট অমরোম পাকপা য়াওরম্বদুনি। য়োল্লিবা লিক পরেংশিংদু থোইনা কান্নবা নত্তে, ঐখোয়না পায়রিবা শেন্দা অসিগা চান্নবা নত্তে। মীৎ অসিদা পুংহা পরেং ওইনা উরকই। মতম অকক্লবনি পুং তাশিল্লকই, গাড়ীদা অমুক তোংলে, ঈথৎ য়েংবা চৎলিবনি হায়না লাউথোকই। ঈথৎ লিশীং অনীমুক লৈ। ক্রুইজ তোংলগা য়েংবা চৎলে। ৱারীনা য়ারোই য়েংলগা খঙগনি। খূৎলোকপী মরূ চায়বগুম চায়খাইরগা লৈবনি। য়ূম অমা শাবা চল্লোইদবা ঈথৎ য়াওরি। চাক চানবগী শেল য়াওখ্রবনি, ৱারী লিনা লিনা চানবা লাংবা হৌরে। লম্বী চৎপসু য়েত্তা চৎলি। চাবগী লৌবা চঙবসু য়েৎলোমদা চৎলি। মানা-মানা অপাম্বা লৌনরে, মমিং খঙবা নত্তে, মশক্তা য়েংলগা লৌরকপনি। য়েনসু থুম্মী, ওকসু থুম্মী, ঙা য়াওদে। ঙাচিং অনী লৌরে (খূৎপীমুক চাউই), থুম-মোরোক ফংদে। য়াপঙ মরি-মঙা য়াওদবগী খরা স্পিদ লৈনা চাবা তাবা, অঙৌবা অৱাংবা অমনা হায়ফেৎ য়েংলকই, ইকায়বা য়াবা নত্তে। টেবল অমদা মী মরি ফম্মী, অমেরিকান লৈশাবী অমা ঐখোয়গা ফম্মিন্নরে, মাগসু স্যের তৌমিন্নরে, নুংঙাইরে। খরা হাওই খঙবদুদি অমুক লৌগে হৌগৎলুবদা কোনপাক্তুদা য়াওরমদে। মখোয় অতৈনসু হাওই হায়বা খঙবজাৎনি। চিন-লৈসি ঙাঙথোক্লককপদা মান্নদ্রবসু মহাও খঙবদি মান্নবসু য়াওরিদনা খল্লি। চাবা লোইরে, ঈথৎ অমদা, শুরুংদা চঙবা পাম্বনা শুরুংদা, পামদবা ঐখোয়না বিচ্চ মচা অমদা চৎলে। থায়নগী লাই খরনা শান্নরম্মী হায়বদুনি, নুপা-নুপী-অঙাং ফি শেৎপোই-শেত্তবোই পুমচায় চায়রগা লৈরম্মী। পংঙাঙ ঙাঙনদৌ শরুক ঐখোয়গী মী খরা ত্রেনিং থাবসু ফবজাৎনি, কনাসু করিসু ঙাঙনদে। শেৎপা কান্দা শেৎকনি, চাবা কান্দা চাগনি-থক্কনি, মসিসু পূন্সিগী মনুং চল্লিবনি খল্লি।

হল্লক্লে, অমেরিকান লৈশাবীদুগা ইচানুপীগসু ৱারী শাবা য়াবা শানরে। ইন্দিয়ান মান্দে অদুম হায়রকই, মাগী মমাদু ভিয়েটনাম নুপী ওইরম্মী। মাগী অপোকপদু অঙৌবা ওইরম্লরোই, মহাক্তি কুচু মুই। মশাগী জোবকী ৱারী শাই। ঐনা 'য়ু আর দি ক্রিএটর ওফ য়োর ওন লাইফ' মহাক্লসু মুন্না তাই। নুমিৎ তাশিনখ্রবনি, কায়নফম য়ৌরে। 'গুদ বাই, গুদ বাই'। গাইদ অদুগী মমিংসু নাম কৌই। 'নাম-নাম' ঐনা খূৎ নাম্মা থাঙ্গৎলগা লাওই। 'গুদ বাই' খূৎ শোক্লরগা কোনশিন্নে। অমুক হন্না উনগনি হায়বা লৈবা নৎত্রেনা।

মথংগী নুমিৎসুনি, চাউখ্রবা তূম্ফম য়াওবা বসতা তোংলে। খ্বাইদগী শাংবা কেবল কার তোংফমদা চৎলিবনি। পুং তরুক বস তোংববু নাপী মকা অমা উরক্তে। ঐনা মমাদা ফাগি তৌই ভিয়েটনামগী উ-ৱাশিং ফাওবা  চাওখৎলি, মনা অমফাওবা লম্বীদা থাদদে। গাড়ীদু য়াঙনা থৌবগী ওইবসু য়াই উদ্রিবসি, পুমশঙ শঙলিবদুনদি নাকেন-থা ওইদবগীনি। খুঙ্গং মচা-মচা লৈহৌই, ঈনা কুপ্পা য়ূম য়াওহৌরি, ফৌ-চুজাক থাবদা অহাঙবা লম লৈহৌদে। চুমব্রৈ ফজনা থাবা উরকই, এপলসু থাই। মঙফমদা ফুরা মচা-মচা শাবসু উই। লৈখিদ্রবশিংদা উৎলিবা থৌগল্লোন্দু ঙকপা পোকই, য়াম্মী। ● *(মখা চখজরকখিগনি)*

# কংলৈ ৱারীদা লংথবাল কোনুং

**- কৈশাম রঘুমনি -**

সলাই তরেৎপু পোকপীবা কংলৈ সনা লৈবাকসি মালেমগী লৈবাক পূন্নমক্তগী থোইনা মমিং চৎলিবা সনাতনা য়োল্লবা, লুপাতনা ঈমাই পক্লা লৈতেংলিবা ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখঙবনা পানবীরম্বা মনিল চাউনা ফজবগী হৌরকফম ওইরিবা কংলৈপাককী ৱারীনি।

ঙসিগী য়ু এন ও লৈত্রিঙৈ, হৌজিক্কী ভারত-বর্ষ শেমদ্রিঙৈ কংলৈপাক মিঙ্গৌনরম্বা নিংথৌ পানবা খা নোংপোক এসিয়াদা মনীং তম্না পাল্লম্বা ঙসিগী মণিপুর কৌরবা লৈবাকসিগী কোনুং ওইরম্বা **'লংথবাল কোনুং'** দা থোকখিবা নিংথৌরোল মরিনা লৈঙাকপীরম্বা হৈবোক চীংকোক লংথবাল কোনুংগী ৱারীনি।

ৱারী অসি লৈবাকসিগী ইতিহাসকা থাদোক্লবা য়াররোইদবা কংলা কোনুং লাইফমলেন কংলালেনগী মথংদা লৈরিবা লৈবাকসিগী লংথবাল কোনুংগী ৱারীনা ঙসিদি চিন্থাং য়ৈনা লিনরিবা ৱারীনি।

লাক্লিবা চৈচৎ ২৯/০৫/২০২৫ কুমদা ইঙাগী হুম্লি পানবা শগোলশেল কোরৌদা লংথবাল কোনুংগী মশাইকোন্দা খুভম য়াবীদুনা লৈবীরিবা সনাগী ফম্বাল থক্কী তাংবলদা কায়দোংবীরিবা সলাইরেন শিদবা ইবুধৌ পাখঙবগী খুয়াখাদা য়েক তরেৎকী মচা মনাই ওইজবা কংলৈ ইয়েকচাশিংনা মৈবা লাংনা হৈকৎ লৈকৎচদুনা ঈরাৎচদুনা 'পূন্সি চেঙজেল নীজবগী থৌরম পাঙথোকচনবগী নুমিৎ অসিদা ইরৈবাকসিগী ইরৈচা খ্বাই পূন্নমক্লসু শরুক য়াবীরনবা নোল্লুকচরি।

নোংমখক্কী হল্লবা থৌরম অসি ইনিংথৌ গম্ভীর সিংহবু চৈথেং পীবিখিবা চীংঙুনা লংথবাল কোনুংগী মশাইকোন্দা লেংবীরক্তুনা লৈবাকসিগী নমু ওইবা-ওইবী মচা-মনাইশিংগী থৱায় মিরেলবু নাওকোনবীররগনি, নাওয়োকপীররগনি।

কংলৈ মাইচৌগী পুৱারীনা শক্তম লাংবীরিবা নোংমখক্কী তাঙলবা ইকৌখৎচবগী থৌরমসিদা মীথোই-মীহেল্লবা ইয়েকচাশিংনা লংথবাল কোনুংগী মশাইকোন ঙসিগী তাইবঙ মহৈকোলনুংদা (কুফা) শুরুং শেমদুনা ইনিংথৌ গম্ভীর সিংহনা চীংঙু পাখঙববু মথম্মোয়নুংদা ঈরাৎচদুনা পুনেমজখিবা শুরুংদা মৈরা লাংনা পুনেমজরবা মতুংদা রাসমন্দল পৃথ্রিদগী ঈকৌখৎচগনি, ঈকৌখৎচরবগী মতুংদা 'ইবুধৌ পাখঙবগী কায়দোংফম' নি হায়না থৌগনজরিবা লংথবাল কোনুংগী থা থংবা থাঙ্গপাৎকী অৱাং থংবা শরুক মন্ত্রি পূন্সিবা ইকোম পৃথ্রিগী মমাঙ চন্দ্রনদি তুরেল ঈচৈলগী মমাঙ থংবা শরুক্তা ঙান্থোইবিরিবা অথোইবা তাংবলগী খুভমদা সলাইলেন শিদবনা লেংশিন্দুনা লৈবীরগনি।

হায়রিবা কংলৈগী কাংফদ্রবা থৌরম অসিদা লৈবাকসিগী য়াইফনবা লমজিং লমতাকপীরিবা লুচিংবীরিবা, লুচিংবীরিবী ইরৈচা খ্বাই পূন্নমক্লা পূন্সি চেঙজেল নীবিদুনা মতম খরদংদদি তাইবঙ মপুনা শেন্বিবা নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক, মালেম, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ ফজরবা মালেম লৈমগী থৌগল লাংনা পুনেমজমিন্নদুনা হিংহনবীরম্মু হায়জমিন্নসি।

ঙসিমক, হৌজিকমক অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈরিবা লৈবাকসিগী খনবদা অৱাবা হুইদোম লাংদুনা চাবা মচেৎ, তূম্বা মচেৎ ওইদুনা অৱাবনা মোনখাংনরিবা ঙসিগী তরানিথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইকায়খুম্নজরবা তম্পাক্কী আইন শেন্বিরিবা এম এল এশিং য়েক্লবনা লাঙ্গোয় চল্লবসু লৈবাকসিদগী য়েক্লববু মরূ ফূক্লা তান্থোকখিনবা চমজরবা ইরৈচাশিংবু ঈংনা চিক্লা হিংজনবা, লৈবাক মরা তপ্পবা নাওয়োক-নাওকোনবীদুনা হরাও মোমোন্নবা হিংজবা ঙম্নবা পাঙ্গল থৌনা পীবিরম্মু হায়দুনা লানগী মপুরেলসু শায়োনবীরিবা সলাইরেল শিদবা পাখঙবগী খুয়াদা চঙজহৌরসি।

লৈবাকসিগী ইনিংথৌ ওইবিরম্বা খাগেম্বনা খাগী লৈবাক্কী হিংচাবা হাৎননবা ইবুধৌ পাখঙবদা খয়োম লাক্লগা তুরেল অচৌবগী পাওনম ঈরেল ঈয়াইদা কুমদুনা ঈরাৎচবদা ঈয়াইদা থাঙতোন-তানোন থিনগৎলক্তুনা পীবিরকখিবা খূৎলায়বু লৌজরগা থাঙ খোবোম্বা, খাংসুনহা তা মিংথোনদুনা লৌজরবা খূৎলায়না লৈবাক মুনগে, লৈবাক লৌগে, মী চাগে লাক্লবা খাগী লৈবাক্কী হিংচাবা চৌফা হোংদৈ লানথৌয়াং (মোইদানসু হায়নবমাল্লে) কৌবা তমথীবদগী তমথীরবা, শাথীবদগী শাথীরবা শাহিং চাবা শিবা নাইদবা হিংচাবদু খাংসুনহা তানা থিন, থাঙ খৌবোম্বনা য়ান্থদুনা ঈনা লৌখোং চেল্লবা, ফোং ফোং শারবা ঈখেংনা মশা পূম্বা তাওথরবা হিংচাবদু হাৎলগা কংলানুংদা কোম তৌরগা হিংচাবদু কোম নুংদা মকোক্লা য়ুংনা থাদরগা মথক্তা লৈবাক শীজিন্নদুনা মীয়াম্না নেৎশিল্লবা তুংদা চাউরবা নুঙজাও অমনা ননশিন্দুনা হাৎলগা সনা লৈবাকসিবু ঈংনা চিক্লা নুংঙাই য়াইফনা মীচম মীয়াম্বু নাওয়োক নাওকোনবীখিবা ইনিংথৌ খাগেম্বনা ইবুধৌ পাখঙবগী মফমদগী নীজখিবা খূৎলায়না য়েক্লবা মায়থীবা পীখিবগুম্না মমাঙঙৈগী লংথবাল কোনুংদা শায়োনবীদুনা ঙান্থোইবিরিবা 'সলাইরেন ইবুধৌ পাখঙবা' গী মফমদা কংলৈগী য়েক তরেৎ, সলাই তরেৎকী মীথোয় মীহেল্লবশিংনা লৈবাক লৈকন্ননবা থৌনিমিন্নদুনা লৈবাকসিবু ঈংথনবা মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা চাক্লিবা মৈরিবু মূথৎপা ঙমদ্রবদি থৌনা ফরবা চহী তরেৎ খুন্তাকপদগী মৈকল্লবা ইনিংথৌ গম্ভীর সিংহনা নিংথি তুরেলদা চামখিবা 'বজ্রশিং' কৌবা থাঙশাং পায়দুনসু ইবুধৌগী চৈথেংদগী নান্থোকপা ঙমখিদবগুম, খাংঙুথক্তা পূন্সি পিখম্নখিবগুম লুচিংবা পূন্নমক্লা লৈবাক্কী খন্দ্রবদি ইবুধৌগী চৈথেং শোয়দনা পীরক্কনি। লুচিংবশিংনা শান্তি য়াম্না লৈদুনসু অশিপুংদগী নান্থোকপা কৈদৌঙৈদসু ঙল্লোই। মৈ কৌবা লাইদা কৎচরবা হকচাং, মালেমদা লৈরোল চল্লগদবা হকচাংশিংনা তুংলমচৎকী মীরোলদা য়াইফবগী খুদোল তন্বীরম্নবা খুদোংথীবনা কোয়শিল্লক্লবা অৱাবতনা মায়োক্লরিবা তমথীরবা মৈরিনা লাঙ্গোয় চনবগুম অৱাবগী ঈরৈদা তাওথরিবা থৱায় পূন্ববু মৈকন্নবা মালেমগী স্বর্গগুম নীংথিজরবা লংথবাল কোনুংগী মশাইকোন্দা ঙান্থোইবীরিবা সনাগী মথক্তা তম্ফানা থিনবগুম ঙান্থোইবীরিবা সলাইরেল পাখঙবগী খুয়াখাদা লৈবাকসিগীদমক্তা য়াইফনবা থৌনীবিরম্মু পুনেমবিরম্মু। লুচিংবশিংনা মায় পাক্কনি।

লৈবাকসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বশিং, স্পিকর ওইবিরিবা-ওইবিরম্বশিং, মিনিষ্টর ওইবিরম্বশিং, চ্যেরমেন ওইবিরম্বশিং, ইকায়খুম্নজরবা এম এল এ পূন্নমক্লসু য়েক্লবা ঙাকপীরম্মু, থৌনিজহৌরসি।

মীতৈ পোকপী ইমাগী মচানি হায়নরিবা মীতৈ পাঙলশিংনা লাইনীং অমা লৌদুনা ইবুধৌবু খুরুমজবা য়াওদ্রবসু, য়াদ্রবসু তাইবঙ মীগী 'ঈ' দি কাঙলূপ ফূরুপ ফনা য়ামদুনসু অঙাংবা মচুতনা মান্নবগুম মপুগী মফমদদি লৈবাকসিগীদমক্তা নুমিৎসিদসু মপুগী মফমদসু থৌনীবিয়ু। লোয়ননা মীতৈগী ময়াম্বনি হায়না শীংথানরিবা নাগাগী শক্লোন লৌরিবশিংনসু লৈবাক কায়দনবা প্রভু যিশুগী মফমদা য়াইফ থৌজাল নীবিরম্মু। শাথেক অহুম্না অমতা ওইনা পুল্লসি, শুক্লবা চীংনুংগী চীংগোলদা থোকপা মচু তরেৎকী চুমথাং মনাক্তা নোংথাং কুপ্পগুম্না ফজহল্লসি।

এন বি :- লংথবালদা লৈবা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী মোংফম সমাধিদা লৈবাক্কী লুচিংবা অমনা অনীরক হন্না ইবুধৌগী, ইনিংথৌশিংগী মমিং থাদুনা থমগনি হায়না হন্না হন্না হায়খ্রবসু হায়না হায়না তৌখিদে, মদুসু তৌহৈদে, থৌনিবীয়ু হায়নরক্লি...। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্কীজ -১১৪গী ৱাহং

১) "নুংশিবদি অঙাওবনি, মফম মতম, ধর্ম্ম অমদি চহী অসিগুম্বগী ৱাখল অমত্তা মঙোন্দা লৈজদে হায়বগী ৱাখল ঈচেল অদুনি ৱারীসিগী পরিংদি, থুংনবা কায়নবনা অমনি।"
ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) "ৱাকয়ৈ হি অমগা ঙাফা ইন অমগা ঐখোয় বাবানা লৈরনি হায়য়ে, ঐখোয়গী"।
ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবা ৱাহৈ পরেং অমনি। ট্রান্সলেটর অসিগী মমিং হায়য়ু। মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো?

৩) "ঐগী ৱারী" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) "মচাথোই অমসুং লাইচনুরা" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৫) "চীংনুংগী সনা লোক্তী" হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।